# নুমীৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা কালেন আর্ট এগজিবিসন হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম থাঙ্গনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চখৎপা অনীশুবা কালেন আর্ট এগজিবিসন মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট দেবেন্দ্র থিয়ামনা হৌদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ম্যুজিয়ম দে ওবজার্ভেসনগা মরী লৈননা থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায়দা পাঙথোক্লিবা আর্ট এগজিবিসন অসিদা মণিপুর অমদি মপান লমগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা য়েকপা লাই অমদি শেমজবা মিনিএচর স্কল্পচর কয়া উৎলি। অনীশুবা কালেন আর্ট এগজিবিসন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইমিনেন্ট আর্টিষ্ট দেবেন্দ্র থিয়াম, আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট যুম্নাম নবচন্দ্র অমদি খেঞ্জোংলাংগী ঠিএটর দিরেক্টর ডা. এস থানিল লৈমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি স্পেসল গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা আর্টপু য়োকখৎনবা অমদি পাঙথোক্লিবা এগজিবিসন অসিবু পুক্লিং থৌগৎপগী ৱাফম কয়া ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

কালেন আর্ট এগজিবিসনগী শরুক অমা ওইনা তোংব্রম অহোংজাও মৈতৈ আর্ট এৱার্দ ২০২২ ফাইরেঞ্জম দেবিদতা মহাক্কী রিইমেজিন হায়না মিংথোনবা অয়েকপা লাইগীদমক এৱার্দ অসি পীখি। কালেন আর্ট এগজিবিসন হৌদোকপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মগী ফাউন্দর তোংব্রম অমরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, কালেন হায়রিবা থা অসি মণিপুরীশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা থা অমনি। কালেন থা অসিদা মহৌশাগী ওইবা হৈ-লৈ মরাং কায়না পাল্লি অমদি লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা উমংলাইসু থা অসিদা খুরুম্লে। মসিদা নত্তনা মণিপুরীশিংগী য়াম্না মরুওইরিবা কুম্মৈ লাই হরাওবসু কালেন থা অসিদা পাঙথোকই। মরম অদুনা কালেন হায়রিবা থা অসিদা আর্ট এগজিবিসন অসি কালেন আর্ট এগজিবিসন হায়না মিংথোন্দুনা এগজিবিসন অসি পাঙথোকপা হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, নৌনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা ঐখোয়গী ফজখ্রবা কলচরেল হেরিটেজ অসি খঙহনবা মথৌ তাই। লোক্তাক পাৎ অমদি পাৎ অসিগা শাগোন্নরিবা মহৌশাগী ওইবা ফজবা কয়া ঐখোয়গী নহাশিংদা খঙহনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ফজখ্রবা কলচরেল হেরিটেজ ময়াম অসি আর্টকী ফোর্মদা প্রিজার্ভ তৌদুনা মখা তাবা জেনরেসনদা খঙহন্নিংবগীসু ম্যুজিয়ম অসি হাংবনি। থাঙ্গদা লৈরিবা লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম অসি কুমজা ২০১৬তা হাঙদোক্লবা মতুং আর্ট ইভেন্ট কয়া মফম অসিদা পাঙথোক্লবা হোৎনখি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা এগজিবিসন অসিনা অনীশুবা এগজিবিসননি। মমাঙদা অহানবা কালেন আর্ট এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে। মতুং তারকপদসু মীয়ামগী মতেংগা হেন্না চাউবা আর্টকা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং মফম অসিদা পাঙথোকপা ঙমজবা ওইজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিদগী হৌদোকখিবা কালেন আর্ট এগজিবিসন অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট যুম্নাম নবচন্দ্র, গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা ইমিনেন্ট আর্টিষ্ট দেবেন্দ্র থিয়াম অমদি স্পেসল গেষ্ট ঠিএটর দিরেক্টর খেঞ্জোংলাংগী ডা. এস থানিল লৈমনা কালেন আর্ট এগজিবিসন অমদি মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা আর্টকী ফীভম, আর্টিষ্টশিংনা তৌহন্নিংবা থবক থৌরম অমদি আর্টকীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎহন্নিংবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# মে ২০দগী ১৮শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ ২০২১-২২ পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
অজাদি কা অম্রিট মহোটসব থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীনবা ১৮শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ মে ২০দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা হায়খিবনি। মহাক্লা হায়খিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লীলা শান্নবা য়ারুদ্রবা অমদি মী পুনবগী খুদোংচাবা লৈতবনা নীংথম কুম্মৈ অসি লেপ্তুনা লাকপনি। কাউন্সীলগী কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইবনা থেংলবসু থেংনা নীংথম কুম্মৈ অসি পাঙথোক্কদবনি। কুম্মৈগী অহৌবা মে ২০গী নুংথিল পুং ১ তাবদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী মৌ অহুম নিঙোল অমা উৎকনি। কুম্মৈ অসিদা নুপা লীলা কাঙলুপ ১১না নুমীৎ খুদিংগী উৎকনি। শুমাং লীলাবু নুংশিবীবা, পান্নীবশিংনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা লেংবীরক্নুা মপুং ফাহনবীনবা আপীল তৌরক্লি। পাউগী মীফম অদুদা শুমাং লীলা কাউন্সীলগী এদভাইজর য়াওনা মরুওইবা থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

## পেরেদ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস):
এস টি সী চুড়াচান্দপুরগী সটিস যাদব পেরেদ গ্রাউন্দদা ১৯০ রিক্রুটস ওফ বেটচ নম্বর ২৩৯গী গ্রান্দ পাসিং আউটকম এষ্টেটেসন পেরেদ পাঙথোকখ্রে হায়না এস টি সী বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট (এদমিনিষ্ট্রেসন) সিতারাম যাদবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোকখিবা পেরেদ অদু সাইকোৎ এ সীগী এম এল এ পাওলিনলাল হাওকিপনা রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ইন্দিয়ন ৱিমেন এমেচর বোক্সর শমজেৎশাবম সজবালানা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি এস টি সী বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল সিতারাম যাদবকা লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট বিরেন্দ্র কজালাসু শরুক য়াখি। ১৯০শুবা রিক্রুটস বেটচ নম্বর ২৩৯দা শরুক য়ারিবা ট্রেনিশিং অসি চয়োল ৪৪ চুপ্পা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফিজিকেল ট্রেনিং, ৱিপন হেন্দলিং, ফায়রিং, ড্রিল, বোর্দর মেনেজমেন্ট, লো, ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি মেপ রিদিং, ইন্টলিজেন্স এন্দ হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা ট্রেনিং তৌখ্রবনি হায়রি।

# ভিদিও গেম লাইচুবশিং মপুং

লৌশিং পুক্কে

## ফানা তূমদে, হকচাং শোকহল্লি অদুমকপু নর্ভস সিষ্টেমগী অনাবদদি কান্নহল্লি



ভিদিও গেমদা লাইচুবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা মপুঙ ফানা তূমদে। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ অমসুং অতৈ অতোপ্পা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লক্লি।

কেনাদাগী হেমিলটনদা লৈবা মেকমাষ্টর য়ুনিভর্সিটিদা পেদিয়াট্রিক্সকী এসোসিএট প্রোফেসার ওইবা কেথরিন মোরিসন্না হায়খি, অঙাং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া ভিদিও গেমদা লাইচূবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে। মসিনা অঙাংশিংবু খুন্নাইগা লোন্দিন্নবদা খুদোংচাহন্দবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লি। ঙাইহাক শংবা মতমদা চেন-চোংদুনা শান্নজগদবা অঙাংশিংনা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরগা ভিদিও গেম শান্নবদগী হকশেলদা অকায়বা থোকহল্লকপনি।

অমরোমদা, ইটলিগী রোমদা লৈবা সেপিয়জা য়ুনিভর্সিটিনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি মল্টিপল স্কলে-রোসিসনা নারবা মীওইশিংনা ভিদিও গেম শানবা মতমদা ৱাখল খনবগী মওং-মতৌ ফগৎলকই।

মল্টিপল স্কলেরোসিস হায়বসি সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টমগী অনাবা অমনি। হকচাং শোন্থরকপা, মশল চেনখৎলকপা অমসুং ৱাখল নীংথিনা খনবা ঙমদবগী লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংনা ভিদিও গেম শান্নবা মতমদা ন্যুরেল কন্নেক্সন্দা অহোংবা থোকহন্দুনা ব্রেনগী মথৌ ফগৎলকই। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা লোরা দি গিগলিওনা হায়খি, ইচম-চম্না ভিদিও গেম শান্নবগুম্বা থৌওংশিংনা ব্রেনগী অখন্নবা ষ্ট্রকচরশিং মথৌ তৌবদা অহোংবা থোকহল্লি। মদুনা মরম ওইরদুনা মল্টিপল স্কলেরোসিসকুম্বা ন্যুরোলোজিকেল দিজিজনা নারবা মীওইশিংগী ব্রেন প্লাষ্টিসিটি ফগৎহল্লি।

মালেমদা মল্টিপল স্কলেরোসিসনা নারবা মীওই লাখ ২৫ রোম লৈ হায়না মল্টিপল স্কলেরোসিস ফাউন্দেসনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংদি ব্রেনগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা থেলামসতা অমাঙ-অতা থোকপদগী ব্রেন্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদে।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মল্টিপল স্কলেরোসিনা নারবা মীওই ২৪ দা জপানগী ন্যুরোসাইন্টিষ্ট রুটা করাশিমানা অখন্নবা মওংদা শেমগৎপা ভিদিও গেম মখল অমা চয়োল নিপান চূপ্পা শান্নহনখি। নুমীৎ খুদিংগী মিনিট ৩০ রোম ৱাখল খনবগী মথৌ তাবা ভিদিও গেম শান্নহনবা মতমদা মীওইশিং অদুগী ব্রেনগী থেলামিক ফঙ্কসন ফগৎলকপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'রেদিওলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিশনদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

হীরম খুদিংমক্কী অফ-ফত্ত লৈবগুম ভিদিও গেমগী মতাংদসু কান্নবা অমসুং কান্নদবা লৈ। অয়াম্বা মতমদা ভিদিও গেম শান্নদুনতা লৈরবদি হকশেলদা খুদোংথী-নিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া থোকহল্লকই। হকচাং শাজেল তৌবা ফৈ হায়দুনসু হেঞ্জিন্না তৌরবদি হকচাং শোকচিল্লক্লবগী মরম ওইরকই। মরম অদুনা অঙাংশিংবু কা-হেন্না ভিদিও গেম শান্নহল্লোইদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ভিদিও গেম এদিক্সনগী থৌওং অসি এটেন্সন দিফিসিভ হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি), ওবসেসিভ কম্পলসিভ দিসওর্দর অমসুং দিপ্রেশনগুম্বা পুক্লিং-ৱাখলগী লায়নাশিংগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙলে।

নোর্ৱেগী য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্জেনদা ক্লিনিকেল সাইকো-লোজিষ্ট ওইবা সেসিলি স্কো এন্দ্রিসন্না চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নহারোলশিংনা পুক্লিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিংদগী নাথৈনবা হোৎনরদুনা ভিদিও গেম অমদি মোবাইল ফোন্দা মায় ওনশিন্নরকপনি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ২০,০০০ লোমগী মওং-মতৌ কূপ্পা নৈনরবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, নহারোলশিংনা পুক্লিং-ৱাখলগী অশোনবশিং নাথৈনবা হোৎনরদুনা ভিদিও গেম অমদি মোবাইল ফোন্দা মায় ওনশিল্লকপগী খুদম ফংলে।

'সাইকোলোজি ওফ এদিক্টিভ বিহেবিয়রস' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা নুপাশিংনা ওন লাইন গেম, গেমব্লিং অমসুং সাইবর পোর্নোগ্রাফিদা পুক্লিং চঙই। অমরোমদা নুপীশিংনা সোসল মিদিয়া, টেক্সট মেসেজ অমসুং ওন লাইন শোপ্পিংদা থৱায় য়াওই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# যোগ মহোটসব পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
নেহরু যুব কেন্দ্র (এন ৱাই কে) অমদি জাফৌ যুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা যোগ মহোটসব থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা কাউন্টদাউন প্রোগ্রাম টু ইন্টরনেসনল যোগ দে কম স্পোর্টস মেটরিএল এন্দ সর্টিফিকেট দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম অমা চান্দেলগী জাফৌ যুথ ক্লব হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না এন ৱাই কে থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট যুথ ওফিসর মাইকেল থাংমিনলেন মাতেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা জাফৌ যু পি ঐচ এসকী হেদ মাষ্টর সোংসির নিকোদিম, দি ৱাই ও এন ৱাই কে চান্দেলগী ফোর্মর রামেসন মোন্সাং, জাফৌ যুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোমি ৱাংলারনা মথংশিংনা থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা রিছোর্স পর্সনশিংনা ইন্টরনেসনল যোগ দেগী হিষ্ট্রিগী ওইবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০৫।২০২২ ইং, শগোলশেল;
কালেনগী ১৯নি পানবা।

মেষ: অয়েৎপা কোকচদুনা থবক পাঙবা, লন-তানশিনবা ঙমজবা অমদি অফা-অপুন কোকচবা লৈগনি। চিংনবা, মীতোপ্পা য়েংথিবা, অঙম্বনা তাথিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: নীংবা মপা চাদবা অমদি কোক শাবা খরা লৈরসু থবক পাঙগনি, য়েক্লবা ময়েং তাগনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি অমদি মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন: নীংবা থুংগনি, শেন্দোং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি অমদি অনৌবা থৌরমদনা হেন্না কান্নগনি। নোল্লুক্লা অমদি ঈংনা তপ্পা চৎচবনা কায়নবা য়াবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট: ওইজবা তানবদা খুৎচাও থাবা য়ারগনি, হৈ-শিংবনা মীনা থাগৎপিবা, অফবা মফম কনবা ঙমজবা নুমিৎনি। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুনু-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: অৱাবা খরা থেংনরসু নচাক নরল চাওখৎপগী নুংঙাইজবা অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবগী হরাওবা লৈ। মীতোপ লোয়নরদি ফত্তবা থবক্তা তৌনিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: কায়নবা, শক-চু থোক্তবা, চরাংনবনা নচাক নরল ময়েং তাবা অমদি মীয়ামগা পুন্নিংদবা লৈগনি। ৱাখল ফাথবা অমদি নোল্লুক্লা চৎপনা মাঙগদবদৈ কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

তুলা: অফবা মীংচৎ ফংগনি, ঙাংবা-শকপদা পকচবা অমদি থৌনা লৈবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুং ৱাতান্ননা পাঙবা থবক মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: অচুম্বা অমদি লৌশিংনা শামু ফাগদবা নুমিৎনি। লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবা অমদি নচা-ননাইগী মতেংনা কান্নবসু লৈগনি। য়েৎনবদি পামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: হরাওবা নুংঙাইবা অমদি শেন্দোং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। নচা-ননাইদা হুরানবনা মাঙহনবা য়াবা লৈরসু নীংহন্নদবনা মীকোক থোংবদি লৈগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: পুক্লিং নুংঙাইতবা, অনম তানবনা অচানবা কায়নবা অমদি খুৎ চাওবনা চাদিং হেনবা লৈগনি। অদুবু থৌনা লৈবা অমদি কিদবনা লন ফংবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কুম্ভ: নীংবা মপা চাগনি, শেন্দোং লৈগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি অমদি মরুপ মপাং অনৌবা ফংজগনি। নকন্থিনা নরল মাঙহনগনি-ফিংগনু, থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, য়েৎনবনা মাঙজবা, হুরানবনা নরলদা য়েংথিবা লৈ। থবক্তি পাঙগনি, খন্থরগদি খুৎচাও থাবা কান্নগনি, অনৌবা মরুপ ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# চনম গম্ভিরদা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
দ টেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পিছ এৱ্যের্নেস কম আর্টস কলচরেল একাদেমী (টি য়ু পি এ এ সী এ)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা অইবা কুম্মৈরোয় অমা ওইনসু লৈরম্বা লাইওইখ্রবা ওজা চনম গম্ভিরগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি টি য়ু পি এ এ সী এ থৌবালগী ময়াই শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

ওজা চনম গম্ভিরগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অদুদা টি য়ু পি এ এ সী এগী আর্টিষ্টশিংনা পেনা শৈশক্লা লোয়ননা থৌরম হৌদোকখি। লোয়ননা টি য়ু পি এ এ সী এ থৌবালগী দিরেক্টর রতন লৈশাংথেমনা লুচিংদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবা ওজা চনমগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াবদি, দ টেম্পল ওফ য়ুনিভর্সেল পিছ এৱ্যের্নেস কম আর্টস কলচরেল একাদেমী (টি য়ু পি এ এ সী এ)গী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ওজা চনম গম্ভিরনা চৎলিবা থা অসিগী ১২দা থিয়াম কোঞ্জিল সমানচীং লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা ওজা চনম গম্ভির শুমাং লীলাদা খোঙদাদুনা দ নোর্থ ইষ্ট ইম্ফাল যাত্রা মন্দল মণিপুর, ধুর্বাতারা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, বেলিয়াং আর্টিষ্ট এসোসিএসন, ৱর্ল্ড আর্টিষ্ট এসোসিএসন, জুপিটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, টি য়ু পি এ এ সী এ মণিপুর, ইষ্টর্ন যাত্রা মন্দল অংথা অমদি ভদ্রা যাত্রা মন্দল অংথানচিংবা শুমাং লীলা কয়াগী অইবা অমা ওইদুনা মীয়ামগীদমক থৌগল তৌরমখিবা মীশক অমনি।

লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা অইবা অমা ওইরম্বদা নত্তনা মণিপুরগী কলচরবু পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা ওজা চনম গম্ভিরনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক অহিং-নুংথিল খাক্তনা তৌবীরমখিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা থবকশিং অদু ঙসিগী টি য়ু পি এ এ সী এ থৌবাল শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা শীংথাদুনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা মহাকপু ঈকায়খুম্নবা উৎখিবনি হায়রি।

# কোলেজ ৫গী মহৈরোয়শিং য়াওবা জি পি ৱিমেন কোলেজদা দি এম য়ুনিফেষ্টকী কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কোলেজ মঙাগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা চাংদম্নবগী নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমা ওইনা ঙসি জি পি ৱিমেন কোলেজদা পাঙথোকখ্রে হৌখ্রে।

নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা চাংদম্নগদৌরিবা থৌরমশিং অসি দি এম য়ুনিফেষ্টকী য়ুথ ফেষ্টিভেলগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দান্স কম্পিটিসন, মিষ্টর দি এম অমদি মিস দি এম খনবগী চাংদম্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। দি এম য়ুনিভর্সিটি অসিগী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজ ওইরিবা ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্স, আর্টস, কম্মর্স, জি পি ৱিমেন কোলেজ অমদি এল এম এস লো কোলেজগী ওইনা জি পি ৱিমেন কোলেজগী সেন্ট্রেল হোলদা ঙসিগী চাংদম্নবশিং অদু পাঙথোকখি।

নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা দি এম য়ুনিফেষ্টগী কলচরেল প্রোগ্রামগী থৌরম অদুদা জি পি ৱিমেন কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. আর কে তম্ফাসনানা ফোঙদোকখিবদা, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা কোলেজ মঙা অসিগা পুন্না নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা কলচরেল প্রোগ্রাম অসি মহৈরোয়শিংনা লাইরিক খক তম্বা নত্তনা এক্সত্রা করিকুল্লর এক্টিভিটিজদা শরুক য়াবগী চাং হেনগৎহন্দুনা মণিপুরগী লৈজরিবা আর্ট এন্দ কলচরবু য়োকখৎনবগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপা কলচরেল ফেষ্টিভেল অমনি। অসিগুম্বা কলচরেল ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা অসিনা মহৈরোয়শিংগী পর্সনেলিটিদা চাউনা অওনবা অমা পুরকহনবা ঙম্বগা লোয়ননা কলচরেল এক্সচেঞ্জ তৌদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী কলচরশিং মশক খঙনবগী কান্নবা কয়া অমসু ফংই। মরম অদুনা নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা দি এম য়ুনিফেষ্ট কলচরেল প্রোগ্রামদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনসু মশা-মশাগী লৈজরিবা টেলেন্টশিং অদুবু উৎথোকচনবা তাঞ্জাদু লৌদুনা মকোক মথং তানবা হোৎনসি। লোয়ননা অসিগুম্বা কলচর প্রোগ্রাম অসিদা ওজাশিংনসু মপুং ফানা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# পুখ্রম্বা কজাওবু ফাঁসি তৌখিবা নুমীৎ কাংমোংদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
কুমজা ১৮৯১গী মে ২৫দা কাংমোংদা পোক্তুনা চাউজখিবা সনা কোনুংগী থাঙ-তা, শরিৎ-শারাদা হৈথোইবদা নত্তনা হীরম খূদিংদা মাঙজিল থাদুনা থৌনা লৈবা লাম্মী ওইরম্বা মরৈবাক মরমদমগীদমক বৃটিশশিংনা মঙক্তা থৌরী কোঙ্গোয় হুক্তুনা ইবুধৌ পুখ্রম্বা কজাওগী মথ্বায়বু পীখম্নহনখিবা নুমীৎ অসিবু নীংশিংবা ওইনা চহী অসিগী লাক্লিবা মে ২৫ য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা কাংমোং মৈস্নাম লৈকায়গী কজাও মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা মখল মথেলগী থৌরমশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি হায়না পুখ্রম্বা কজাও মেমোরিএল ট্রষ্টকী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মে ২৫ য়ুমশকৈশা নুমীৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমশিং অসিদা লৈঙাক্কী শিন্থা পুরিবা শক্লাইরবশিং, মীয়ামগী মীহুৎশিং অমদি খঙ-হৈরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াগনি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা থাঙ-তা, পুখ্রম্ববু শৈথাবা ঈশৈগী তাম্থাদা থাঙগী জগোয় উৎপনচিংবা মখল মখা কয়াগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

নুমীৎ অসিদা কংলৈপাক হিষ্টরি টেলস ফোর পুখ্রম্বা কজাও কৌবা জে কে লুৱাংনা ইবা ইংলিসকী লাইরিক অমা অমদি সিনামচা হিরামনি খুমননা ইবা পুখ্রম্বা কজাও (ফিঙাং) কৌবা মণিপুরী লাইরিক অনী অসিসু ফোঙগনি। ঙসিগী মণিপুরবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা নীংশিংনফম ওইরবা থৌনা ফবগী মতিং ফুদোক্লম্বা পুখ্রম্বা কজাও নীংশিংবনা মীয়াম্না ঙসি ফাওবা মায় থাঙ্গৎনা চৎপা ফংলিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্নসু অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্নদুনা ইরমদম মণিপুরবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অমদি ঐখোয়গী লৈজরম্বা কলচরশিংসু ঙাক্লা হোৎনমিন্নসি হায়রি।

# বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর বুধ ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম অমা নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা লৈবা সেরাম ইন্দ্রজিৎকী শঙ্গাইদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর বুধ ফাউন্দেসনগী প্রোগ্রাম ইন-চার্জ সেরাম ইন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা পাঙথোকখিবা বুধ পুর্ণিমাগী থৌরম অদুদা প্রোফেসর রামসিংহ, এদভোকেট মনিকান্ত, ডা. এম অচৌবী শাষ্ট্রিনচিংবা অখঙ-অহৈ কয়ানা হৌজিক্কী নে-না তাদ্রবা খুন্নাই অসিদা বুধগী পুন্সি অমদি ফিদমনা অকনবা ইথিল পীদুনা থকশি-খাশি লৈবা, চাউখৎপা অমদি নুংশি-চান্ননা হিংমিন্ননবা য়াইফরবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বনচিংবা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর বুধ ফাউন্দেসনগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।